**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.45 PM**
**(Date: 30-05-2025)**

**ৱেদর (এল) ঃ** খা নোংচুপতগী হৌরকপা কুমগী নোংং মনিপুরদসু মপুং ফানা য়ৌরক্লে। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা রাজ্য শিনবা থুংবদা নোং চুরে।

ইন্দিয়ানা মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ঙসি তমেংলোং অমসুং সেনাপেতিগী মফম কয়াদা নুংশিৎ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়না রেড এল্লার্ট লাউথোকখি। কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, জিরিবাম, নোনে, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলদনা ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখি। হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, জিরিবাম অমসুং নোনেগী মফম কয়া অকনবা নোং চুগনি হায়না ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

অমরোমদা, জিলাশিং অসিদা নোং চিংগী হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা মরী লৈনবা দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা চেরোলশিং থোকখ্রে। চেরোল অদুগী মতুং ইন্না মীয়ামা য়ারিবা মখৈ য়ুমদগী চৎথোক্তনা লৈনবা অমসুং শাফগদবা মফমশিংদা লৈনবা খঙহল্লি।

নোং লেপ্তনা চুবা অসিনা মরম ওইদুনা ইম্ফাল ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিং-নম্বুল, ইম্ফাল তুরেল, কোংবা অমসুং ইরিল তুরেলগী ইমায় খরা ৱাংখৎলে।

অমরোমদা, হৌখিবা মতম খরা অসিদা নোং লেপ্তনা চুবনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ইথাই বরাজগী গেট হাংদোক্তবদগী ঈশিংগী ইমায় ৱাংখৎতুনা লৈরম্বা অদু ঙসি গেট অহুম হাংদোক্কুনা ঈশিং থাদোকপা হৌরে হায়রি।

সেনাপতি জিলাদা ঐচ.পি. লাইন তৎখিবদগী ঙরাং নুমিদাংগী হৌনা মৈ

মল্লে হায়রি। মফম কয়াদা চিং নিংখায়বা অমসুং লম্বী নমশিনখিবদগী লম্বী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে।

ঐখোয়গী সেনাপতি পাউমী-এ. হেখেনিনা হায়-মরাম পেরেল লম্বী, তাদুবী-উখ্রুল লম্বী চিং নিংখায়বদগী চৎপা য়াদ্রে। নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস ময়াদা অপনবা থোক্লে। জিলা অসিগী মফম কয়াদা চেনবা তুরেলশিংগী ইমায় ৱাংলে।

তমেংলোং জিলাদসু মৈ ফংদবদগী মীয়াম খুদোংচাদবা মায়োকরে। ঐখোয়গী পাউমী-রিংবম কামৈনা হায়-রেংপাংদগী তমেংলোং হেদক্বাটর ফাওবা পুরিবা ৩৩. কে.ভি. ঐচ.টি. লাইন ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফত্তবনা শেমজিনবা ঙমদ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা চেল্লিবা তুরেলশিংগী ইমায় নোং লেপ্তুনা চুবদগী হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা তুরেল লৌনবাল কায়বগী ওইথোকপা লৈ। মরম অদুনা তুরেল নকা অমসুং তুরেল খোঙবান ময়াদা লৈরিবা মীওইশিংনা চেকশিন্না লৈনবা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খঙহল্লক্লি।

রাজ্য অসিদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং লেপ্তুনা চুবনা মরম ওইদুনা থৌবাল, ককচিং, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং চান্দেল জিলাগী ওইনা ঈশিং ঈচাওগা মরী লৈননা সেক্তর কন্ট্রোল রুম ওফিসারশিং হাপলে। হীরম অসিগী মতাংদা ফ্লড কন্ট্রোল এন্দ দ্রেনেজ দিভিজন নম্বর থ্রিগী ইগজিক্যুটিব ইঞ্জিনিয়ারনা চেরোল অমা থোকখ্রে।

অমরোমদা, দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মতুং ইন্না-ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ঙসি নোং চুখিবগী চাং অসি মিলিমিটর ১৯৭.৮ নি। তেংনৌপলদনা মিলিমিটর ১১৫, সেনাপতিদা মিলিমিটর ৭৫.৮, তমেংলোংদা মিলিমিটর ৫৫.৪ গী চাংদা চুখি হায়রি।

**মীতিং (এল)ঃ** মনিপুরগী রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা সভাপতি ওইদুনা রাজ্য অসিদা ঈশিং ঈচাও মায়োকরকপা মতমদা শেম শানবা মীফম পাঙথোকখ্রে।

রাজ ভবনগী সেক্রেটরিয়েটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্যপালনা ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগ, রিলিফ এন্দ দিজস্তার মেনেজমেন্ট, মহুদ, পি.ডব্লিয়ু.দি, মাইনর ইরিগেসন, ফোরেষ্ট, সি.এফ.এফ এন্দ পি.দি. অমসুং দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংপা ফম্মীন্নদুনা ঈশিং ঈচাওগী শেম শারিবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। মীফম অদুদা রাজ্যপালনা ঈশিং ঈচাও মায়োকনবা হোৎনবদা মরুওইবা মফমশিংদা লৈরিবা দ্রেনেজকী ফিভমশিংগী মতাংদা হন্না য়েংশিনখি। মীফম অদুদা এন.ঐচ.পি.সি. অমসুং এল.দি.এগী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

রাজ্যপালনা ঈশিং ঈচাও থোরকপা মতমদা মদুবু ঙাকথোকবা অমদি চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা পায়খৎপা য়াবা থবক পায়খৎনবা ষ্টেকহোল্ডরশিংদা পাউতাক পীখি।

মদুগী মমাংদা, রাজ্যপালনা সভাপতি ওইদুনা চিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী ফিভম নৌহৌননা য়েংশিনখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিশিং, কম্মিস্নারশিং, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং অমদি দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংগা আই.দি.পিশিংগী পুন্সি মহিংগী মতাং, স্কিল দিবলপমেন্ট, হকশেল অমসুং শিক্ষাগী খুদোংচাবা পীবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মীফম অদুদা আই.দি.পিশিংগীদমক লৌখৎলিবা মরুওইবা থৌরাংশিংগী মতাংদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিংনা রাজ্যপালদা পাউদমখি।

**আইসিএআর (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌজিক চৎথরিবা ভিক্সিত ক্রিসি সংকল্প অভিয়ানগী ঙসি নিনি চনবা নুমিৎতা আই.সি.এ.আর, সেন্ট্রেল

এগ্রীকলচর য়ুনিভরসিতি অমসুং মনিপুরদা লৈরিবা ক্রিসি বিগ্যান কেন্দ্রশিংনা খুঙ্গং ৭৮ গী লৌমী লিশিং ৮,২৬০ রোমদা অভিয়ান অসিগী মতাংদা মরিক চুমা খঙহন্‌খ্রে।

মদুদা, লৌমীশিংনা মহৌশাগী ওইবা লৌউ-পথাপ শিজিন্নবা অমসুং হোংলক্লিবা অইং-আশাগা চান্নবা পোৎথোকশিং পুথোকবা হোৎনবা, সরকারগী ওইবা স্কিমশিংগী মতাং অমসুং লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা খঙহনখি হায়রি। ভিক্সিত ক্রিসি সংক্লপ অভিয়ান হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা লৈবাক শিনবা থুংবদা হৌদোকখিবনি। মনিপুরদসু অভিয়ান অসি রাজ্য শিনবা থুংবদা মপুং ফানা চত্থরি। অভিয়ান অসি মথং থাগী ১২ ফাওবা চত্থগনি।

**রিমস (এল)ঃ** রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালদা মোদুলর ওপরেসন ঠিয়েটর কমপ্লেক্স অমা শঙ্গাখ্রে। ওপরেসন অসি দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিকেল মেদিসিন এন্দ রিহেবিলিটেসনগীনি।

ওপরেসন ঠিয়েটর অদু রিমসকী দাইরেক্তর-প্রোফেসার জি. সুনিল কুমার শর্ম্মনা হৌদোকখি। ওপরেসন ঠিয়েটর অসিনা সরজিকেলগী লমদা হেন্না কান্নবা পীরগনি।

**নোনে (এল)ঃ** দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি-নোনেগী দিষ্ট্রিক্ট লেবেল রিভিয়ু মীফম ঙসি জিলা অসিগী দি.সি. কমপ্লেক্সকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদু দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতি নোনেগী চেয়ারমেনসু ওইরিবা দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ডা: সরতচন্দ্র অরোজ্‌না হৌদোকখি। মীফম অদুদা নেসনেল প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেট চেঞ্জ এন্দ হ্যুমেন হেলথকী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টাস্ক ফোর্স শেম্বা হায়না ৱারেপনখি। মসিগী মথক্তা লাক্কদৌরিবা প্রোগ্রামশিং অমসুং রুটিন ইম্ম্যুনাইজেসনগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

**ককচিং (এল)ঃ** নেসনেল লিগেল সার্ভিস ওথোরিতিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিতি-থৌবাল অমসুং মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা শেম্বা য়েনিং ইমা অমসুং লৈচল ভিলেজ লেবেল ফেদরেসননা পুন্না শিনদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱারনেস প্রোগ্রাম ঙরাং লাংমৈদোং মমাং লৈকাই হৈবোং মখোঙ কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, সাইভর ক্রাইম, দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স এক্ট অমদি তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** এনালাইষ্টি ওফ এক্স.আর.দি. দাটা অমসুং থারমোলুমিনিসেন্স দাটাগী মতাংদা নুমিৎ নিনি চত্থরকপা ৱার্কশোপ ঙসি ওরিয়েন্টেল কলেজতা লোয়শিনখ্রে।

কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফিজিক্সনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কোলার কয়ানা শরুক য়াখি।

**বাইও (এল)ঃ** পিপলস বাইও দাইভরসিতি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা মীয়ামবু ভাব তাহনবগী থৌরম অমা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা শঞ্জেনবম ইমা পান্থোইবী লাইবুংদা পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা শঞ্জেনবম, পুখ্রম্বম গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা ফংলিবা পাম্বী, শা-উচেকশিং, বাইওদাইভরসিতিশিং রেজিস্তার তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না থৌরমদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোংদোকখি।

**এৱার্ডঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা নর্সকী শিনফমদা লৈরিবা মীওই ১৫ দা ঙসি ফ্লোরেন্স নাইটিংগল এৱার্ড ২০২৫ খুৎশিন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা রাস্ত্রপতি ভবনদা পাঙথোকপা চিং লেম্লবা থৌরম অমদা

নর্সকী শিনফমদা কৎথোকপগা লোয়ননা থোইদোক হেন্দোকপা থবক তৌবগীদমক মনাশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি।

থৌরম অদুদা কেন্দ্রগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-জে.পি. নদ্দা, রাজ্য মন্ত্রি-অনুপ্রিয়া পতেল অমসুং প্রতাব রাও যাদব শরুক য়াখি। মনাশিং অদু ঔজিলারি নর্স মিদ ৱাইফ (এ.এন.এম), লেদি হেলথ ভিজিটর (এল.ঐচ.ভি) অমসুং ষ্টাফ নর্সশিংদা পীবনি। এ.এন.এমগী কেটেগোরিদা নর্স মঙা, এল.ঐচ.ভি. কেটেগোরিদা নর্স অমা অমসুং ষ্টাফ নর্সকী কেটেগোরিদা নর্স ৯ নি। নর্স কেটেগোরিদা মনা ফংলবশিংগী মনুংদা মনিপুরগী লৈমপোকপম রঞ্জিৎতা দেবী য়াওরি।

**নিট ঃ** থা অসিগী ১৫ দা পাঙথোক্কদৌরিবা পোষ্ট গ্রেজ্য়েটকী নেসনেল ইলিজিবিলিতি কম এন্ত্রান্স টেষ্ট (নিট-পি.জি.) ২০২৫ গী পরিক্ষা সিফ অনি পাঙথোকপগী মহুৎতা সিফ অমখক্তদা পাঙথোকবা সুপ্রিম কোর্টনা য়াথং পীখ্রে।

জষ্টিস-বিক্রম নাথনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা মরী লৈবা ওথোরিতিশিংদা পরিক্ষা অদু সিফ অমখক্তংদা পাঙথোক্নুনা ত্রান্সপেরেন্সি লৈহন্নবা পাউতাক পীখি। বেঞ্চ অদুনা হায়-সিফ অনি পাঙথোকপা মতমদা ক্বোইসন পেপরশিং অদু চপ মান্নবা মওংদা ওইরোই। নিট-পি.জি. পরিক্ষাগী মতাংদা ত্রান্সপেরেন্সি লৈতে হায়না থাংগৎলকপা ৱাকৎশিংগী মতাংদা কোর্ট অসিনা ৱারেপ অসি লৌখিবনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা উত্তর প্রদেসকী কানপুরদা ল্পা কোতি লিশিং ৪৭,৫৭৩ চংনা পায়খৎকদবা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১৫ খরগীনা যাত্রা হুনখি, খরগীনা শঙ্গাখি।

মহাকা কানপুর মেট্রোগী অনৌবা কোরিদোরসু হাংদোকখি। তুংদা, তিল্লিবা মীয়ামদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-মালেমগী মীয়ামনা লৈবাক অসিগী নুপীশিংগী অশাউবা অমসুং অশোকপা অদু ওপরেসন সিন্ধুরগী মওংদা উবা

ফংলে। ওপরেসন অদুদা ভারতনা পাকিস্তানদা লৈবা টেরোরিষ্টশিংগী মফম কয়ামরুম থুগায়খি।

মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা ঙসি অয়ুক বিহারগী করাকটতা লুপা কোতি লিশিং ৪৮,৫২০ চংনা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং যাত্রা হৌনখি অমসুং শঙ্গাখি।

**সাহ ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ঙসি জম্মু কাশ্মীরগী পুন্সতা চত্তুনা পাকিস্তান্না চত্থরকখিবা বোমগী এটেক্তা শোক্লবা মীওইশিং অমসুং মফম অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিং য়েংশিনখ্রে।

শ্রী সাহনা ঙসি পুন্স সহরগী মনুং হজ্ঞিনবা মফমদা লৈবা খানেতারদা মথৌ তৌরিবা বি.এস.এফ জৱানশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মহাকা হন্দক পাকিস্তান্না লান্দারকপদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা এপ্পোইন্টমেন্ট লেট্টরশিং য়েন্থোকখ্রে অমসুং ইমুং মনুংগী অৱাবা য়েংদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিংসু পায়খৎকনি অমসুং মখোদা পীবা য়াবা খুদোংচাবশিং পীগনি।

**ফুটবোল (এল)ঃ** তরুকশুবা কাইয়ো ট্রোফিকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা-নবা এফ.সিনা কুন্বীনা ফাইব ব্রদরস এফ.সি. ৱাংঙু শম্বলবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখ্রে।

**ফূটবোল(এল)ঃ** ৬৪ শুবা সুবোরতো মুখর্জি অন্দর ফিফতিন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী ঙসি বিষ্ণুপুর মিনি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাংঙু হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনা ইরৈবাম ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা, গুলাপ স্কুলনা এ.কে. মণি হায়স্কুল ৱাংঙুবু পাঞ্জল ২-১ দা, ৱাংঙু হয়ার সেকেন্দরি স্কুলনা গুলাপ ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ২-০ দা অমদি ইরৈমা ইংলিস স্কুলনা পি.জি. ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অন্দর সভেন্টিনগী মেটচকী ঙসি শান্নখিবদা-পি.জি. ইংলিস স্কুলনা ইরৈমা ইংলিস স্কুলবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।